# কোরিয়া অনীনা নোংচুপ থংবা বোর্দর পরিংদা অমনা অমদা ৱার্নিং পীদুনা নোংমৈ কাপখ্রে



সিওল, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): কোরিয়া অনীগী দিফেক্টো মেরিটাইম বোর্দর ওইরিবা য়েল্লো সীগী নোর্দন লিমিট লাইন (এন এল এল) লানখিবা নোর্থ কোরিয়াগী জহাজদা ৱার্নিং সোর্ট কয়া কাপখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মদুগী পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়ানসু সাউথকী মায়োক্তা ৱার্নিং পীদুনা নোংমৈ কাপ্লকখি হায়রি। নোর্থ কোরিয়াগী মার্চেন্ট বেসেল অমনা লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৩.৪২ তাবা মতমদা ফ্রন্ট লাইন ঈথৎ বেনিয়োংগা নক্লবা ঈশিংগী শরুক্তা লৈরিবা এন এল এল ভাইওলেট তৌখি অমসুং মদুগা মরী লৈননা ৱার্নিং সোর্ট রাউন্দ ২০ লোম কাপখি হায়না সাউথকী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফ (জেসিএস) না ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরিনসু সাউথ কোরিয়াগী জহাজ অমনা নোংচুপ থংবা সমুদ্রগী বাউন্দরি ভাইওলেট তৌবদগী মল্টিপল রোকেট লোঞ্চরশিংদগী নোংচুপ থংবা সমুদ্রগী শরুক্তা আর্টিল্লরি সেল তরা কাপখি। লোয়ননা অতৈ ৱার্নিং সোট কয়াসু কাপখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

কোরিয়ন পিপলস আর্মি (কে পি এ) গী জেনরেল ষ্টাফকী মশক মমিং পন্দবা স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মদুদি সাউথ কোরিয়াগী স্কোর্ট জহাজ অমনা অয়ুক পুং ৩.৫০ তাবা মতমদা নোর্থ মিলিটরিনা কন্ত্রোল তৌরিবা মিলিটরি দিমার্কেসন লাইনদা লান্দারকখি। মদু মশক খঙদবা বেসেল অমা তান্নরকপগী মিংদা চত্থরকখিবনি।

সাউথকী জে সি এসনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৮ গী ইন্টর-কোরিয়ন মিলিটরি এগ্রিমেন্ট ভাইওলেট তৌদুনা অয়ুক পুং ৫.১৪ রোম তাবা মতমদা আর্টিল্লরি সেল তরা লোঞ্চ তৌরকখি। এগ্রিমেন্ট অদু নাকল অনীগী বোর্দরদা উংখৎনবা হন্থহন্নবগী পান্দমদা পুরকখিবনি।

ফ্রিগেট অমা য়াওনা মফম অদুগা নক্লনা সাউথ কোরিয়াগী নেভেল বেসেল কয়া দিপ্লোই তৌরবসু মখোয়না এন এল এল লানখিদে হায়নসু জে সি এসনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা এন এল এল অদুবু খারোমদা মখা শাংথনা লৈহন্নবা মতম শাংনা দিমান্দ তৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী জহাজ শিংনা লাইন অদুবু তোইনা লান্দুনা লাকখি। কুমজা ১৯৫০ দগী ৫৩ ফাওবা চত্থখিবা কোরিয়াগী লান মতুংদা য়ুএসনা লুচিংবা য়ুএন কম্মান্দনা নাকল নাম্মতগী ওইবা ৱারেপতা য়ুম্ফম ওইরগা য়াৎখিবনি হায়রদুনা নোর্থ কোরিয়ানা বোর্দর অদুবু রিককনাইজ তৌদ্রিবনি।

কোরিয়া অনীনা কুমজা ১৯৯৯, ২০০২ অমসুং ২০০৯ দা লান শোক্লখি। কোরিয়া অনীগী মরক্তা ৱার্নিং সোর্টশিং কাপ্পরিবসি নোর্থ কোরিয়ানা বেলেষ্টিক মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌবগা লোয়ননা আর্টিল্লরি সোট কয়া কাপ্পুনা লেপ্তুনা কায়হৌবদগী পেনিন্সুলা অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা থোরক্লিবনি।

সিওল অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা চত্থখিবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ কী পাউখুম ওইনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা পিওংয়াংনা খুৎলায় চাংয়েং কয়া পাঙথোকখি। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসকী অপুনবা এক্সর্সাইজশিং অদুবু নোর্থনা মসিগী মায়োক্তা লান্দানবগী রিহার্সেলশিংনি হায়রিবনি।

# ‘ইরাননা চাওখৎনবা হোৎনবদা মপানগী প্রেসর অমসুং প্রোপেগন্দানা অথিংবা পীবা ঙম্লোই’



টেহরান, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): ইরাননা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙশিন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা মপানগী প্রেসর অমদি প্রোপেগন্দানা অকায়বা পীবা ঙম্লোই হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মসিগী ৱেব সাইটতা ফোঙবা প্রেস রিলিজ অমনা পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, অমির-অব্দোলাহিয়ন্না ৱাফম অসি সিরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ফাইসাল মেকদাটকা ফোনদা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা নাকল অনীনা বাই লেটেরেল মরী, রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ইস্যুশিং খন্নখি। মহাক্না ইরানিয়ন নেসন অমসুং গভর্ণমেন্টনা মখা তানা রিজনেল লৈবাকশিংগী ষ্টেবিলিটি অমসুং সেক্যুরিটি সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা মপানদগী খুৎ থিংজিল্লক্লিবশিংগী মায়োক্তা লেপকনি হায়নসু থাজবা পীখি।

অমরোমদা, মেকদাটনা হায়খি, মদুদি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা ইরান য়াওনা নিংতম্বা লৈবাকশিংগী মায়োক্তা ক্রাইসিস কয়া থোকহন্নবা হোৎনরি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরাননা চাওখৎপা অমসুং নিংতম্না লৈবা অদু উবা পামদে। মখোয়না পাল্লিবদি লৈবাক অসিনা মাঙ তাকপা অমদি মীপান তাঙদুনা লৈবা অদুনি।

মেকদাটনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুএস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা সিরিয়া, ইরাক অমসুং অফঘানিষ্টানদা তৌখিবশিং মীপুম খুদিংমক্না উন্নরে।

পনবা য়াবদি, মশাগী চহী ২২ শুরবী মাশা অমিনি কৌবী নুপী অমা পুলিস ষ্টেসনদা লেকথরকখিবা মতুংদা কেপিটেল টেহরানগী হোস্পিটাল অমদা শিখিবদগী ইরানদা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চত্থরকখিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদু হেন্না কনশিল্লকপগা লোয়ননা মীশি মীনা কয়া য়াওরকখিবগা লোয়ননা ইরানিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৃটেনগুম্বা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু ইরানদা ইরাং হৌরিবশিং শৌগৎতুনা লৈবাক অসিগী মনুংগী ওইবা এফিয়র্সতা খুৎ থিংজিল্লি হায়না মরাল শীখি।

ইরানদা হন্দক্তা থোকখিবা রাইওটশিংদা লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা টেহরানগী কোর্ট অমদা লিগেল কেস অমা ফাইল তৌরগনি হায়না থাংজ নুমিত্তা সিনিয়র ইরানিয়ন জুদিসরি ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# ‘কিভনা মশাগী লমদা দর্টি বোম নত্ত্রগা লো য়িল্ড ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমা শীজিন্নবা শেম শারি’



মোস্কো, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): য়ুক্রেননা মশাগী লমদা ‘দর্টি বোম’ নত্ত্রগা লো-য়িল্ড ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমা শীজিন্নদুনা কায়হৌবগী থৌওং অমা চত্থনবা শেম শাবগী ইঙ্গিৎ ফঙই হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গি সোইগুনা ফ্রান্সকী মহাক্কী লেঙমান্নবা সেবেষ্টিনিয়ন লিকুরনুগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না সোইগু অমসুং লিকুরনুগা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা য়ুক্রেনগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখি।

মমাঙগী মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতাংদা পল্লদুনা সোইগুনা ৱারী শান্নবা অদুদা য়ুক্রেনিয়নশিংনা দর্টি বোম অমা শীজিন্নদুনা কায়হৌরকপা য়াই হায়বগী নুংনাংবা ফোঙদোকখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা রিয়া নোবোষ্টিনা য়ুক্রেন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ছোর্সশিং পল্লদুনা হায়খি, মদুদি কিভনা মশাগী টেরিটরিদা দর্টি বোম নত্ত্রগা লো-য়িল্ড ন্যুক্লিয়র খুৎলায় অমা পোকখায়হন্নবা শেম শারি।

রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সি অসিগী মতুং ইন্না কিভকী থৌরাং অদুগী পান্দমদি অকনবা এন্টি-রসিয়ন কেম্পেইন অমা লোঞ্চ তৌবা য়ানবা মোস্কোবু পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায়শিং শীজিন্নৈ হায়না মরাল শীবা অসিনি।

রিপোর্ট অদুনা ক্লেম তৌরিবদি য়ুক্রেনিয়ন ইন্সটিট্যুসন অনীদা দর্টি বোম অমা শাবগী থবক শীন্নখ্রে অমদি থবক অদু হৌজিক অরোইবা তাঙ্কক্তা লৈরে। চৈরকসিদা য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না কিভতা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী কম্পোনেন্টশিং পীরক্লবা বৃটিস ওফিসলশিংগা লোন্না ৱারী শান্নরি হায়না আরটিগী রিপোর্টনা ক্লেম তৌরি।

দর্টি বোম হায়বসিদা কনভেনস্নেল এক্সপ্লোসিব অমদি রেদিও এক্তিব মেটরিএল অনীমক য়াওরিবনি। কিভনা লানদা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদ অমা শীজিন্নবা ঙম্লোইদবা ওইরবসু অসিগুম্বা দিভাইস অমনা পোকখায়রিবা মফম অদুদগী কিমি কয়া লাপ্না রেদিএসনগী ক্লাউদ চাইথোকহনবা ঙম্মী।

রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা য়ুএসকী মহাক্কী লেঙমান্নবা লোইদ ওষ্টিনগা ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা সোইগু অমসুং লিকুরনুগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবনি।

# পাকিষ্টানগী সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমা কেনিয়াদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): চহী অসিগী অঙনবদা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা সিদিসন অমসুং এন্টি-ষ্টেট নেরেটিব ফোঙবগী চার্জশিংদা বুক তৌখ্রবা পাকিষ্টানগী সেনিয়র জর্নেলিষ্ট অমা কেনিয়াদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। ৱাফম অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা জর্নেলিষ্ট অদুগী লোইনবীনা ফোঙদোকখিবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগা নকশিন্নখিবা হান্নগী রিপোর্টর অমসুং এআইৱাই টিভিগী এঙ্কর অর্সাদ সারিফ (৪৯) কেনিয়াদা থবক তৌহনখিবনি। সারিফকী লোইনবী সাবেরিয়া সিদিক্কীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা মহাক্কী মপুরোইবা লৈখিদবগী পাউ কনফার্ম তৌখি।

ত্বিট অমদা মহাক্না হায়খি, মদুদি ঙসি ঐহাক্কী ইপুরোইবা অমসুং ফেবোরাইট জর্নেলিষ্ট লৈখিদবগী পাউ ফঙলে। পুলিসকী মতুং ইন্না মহাক কেনিয়াদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

এসোসিএটেদ প্রেসকী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জর্নেলিষ্ট সারিফ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা কেনিয়াগী পুলিসনা শোইবদগী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মদু পুলিস কাঙবু অদুনা অঙাং ফাবগী কেস অমদা চেন্নবা মান্নবা কার অমা থীবদা থোকখিবনি।

ফোরেন ওফিসকী স্পোক্সমেন অসিম ইফটিখারনা ফোঙদোকখিবদা কেনিয়াদা লৈরিবা পাকিষ্টানগী হাই কম্মিসনা ওথোরিটিশিংদগী ইনফোর্মেসন অদু কনফার্ম তৌনবা হোৎনরি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইমরান খানগী টেহরিক-ই-ইনসাফ পার্টি অমসুং মসিগী সেনিয়র লিদরশিংনা সারিফকী মীহাৎ অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা দিমান্দ তৌখি।

সারিফনা শিখিবগী পাউ অদুনা মহাক্কী থম্মোয় কায়হল্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা ওগষ্টতা জর্নেলিষ্ট সারিফ অসি খানগা নকশিন্নবা এইদ সেহবাজ গিল্ড ইন্টরভিয়ু তৌখিবগীদমক সিদিসন চার্জতা বুক তৌখিবনি।

# পিএম দেজিগনেটনা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট শেম্নবা হোৎনরি

বাঘদাদ, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): ইরাক্তা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্মনবা কন্না হোৎনরি অমসুং মিনিষ্টরিএল পোজিসনশিং পায়হন্ননবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল ব্লোকশিংগী কেন্দিদেটশিং ইন্টরভিয়ু তৌরি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা মোহম্মদ সিয়া অল-সুদানিনা ফোঙদোকখ্রে। সুদানিগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, কেন্দিদেটশিংগী ইন্টরভিয়ু অদু অল-সুদানি মশামক্না লুচিংবা এদভাইজরশিংগী গ্রুপ অমা য়াওনা কম্মিটি অমগী খুত্থাংদা পাঙথোক্লি।

কেবিনেট এপোইনমেন্টশিংগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্কবা অল-সুদানি অমসুং পোলিটিকেল ব্লোকশিংগী মেম্বরশিংগী মরক্তা ৱারী শানরি। পার্লিয়ামেন্টদা নৌনা শেম্লবা গভর্ণমেন্ট অদুগী কনফিদেন্স ভোটকী তারিখ অমা লেপ্লবা মতুংদা ওফিসল এপোইনমেন্ট লাউথোক্কনি। ওক্তোবর ১৩ দা নৌনা মীখলদা মায় পাক্লবা প্রসিদেন্ট অব্দুল লাতিফনা অল-সুদানিদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা খঙহনখিবনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF YOUTH AFFAIRS & SPORTS
KHUMAN LAMPAK, IMPHAL

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 21st October, 2022

**No.2/2/2020-YAS:** In pursuance of the Government approval conveyed vide letter no. 2/10/2022-YAS/S-YAS(Pt) dated 21st October, 2022, the Department of Youth Affairs & Sports invites application in the prescribed format from eligible and intended candidates for engagement to the following posts in this Directorate, on contract basis through sponsorship of the Employment Exchange concerned.

| Sl. | Name of Post | Remuneration | No. of Post | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Supervisor (Electrical) | Rs. 14,600/- p.m | 1 | 1 | - | - | - | - | Diploma in Electrical / Electronic and Electrical |
| 2 | Supervisor (Mechanical) | Rs. 14,600/- p.m | 1 | 1 | - | - | - | - | Diploma in Mechanical Engineering |
| 3 | Electrician | Rs. 10,850/- p.m | 6 | 4 | 1 | - | 1 | - | Matriculate and ITI Electrical certificate course |

2. Mode of Selection: Through written examination.

3. Examination Scheme:

| A. For the post of Supervisor (Electrical / Mechanical) | | | |
|---|---|---|---|
| Subject | No. of Questions | Total Marks | Time Allowed |
| General Intelligence & Reasoning | 25 | 25 | 2 hours |
| General Knowledge | 25 | 25 | |
| Quantitative Aptitude | 25 | 25 | |
| English Language | 25 | 25 | |
| Questions will be Graduate level and based on multiple Choice Questions (MCQs) | | | |

| B. For the post of Electrician | | | |
|---|---|---|---|
| Subject | No. of Questions | Total Marks | Time Allowed |
| General Intelligence & Reasoning | 25 | 25 | 2 hours |
| General Knowledge | 25 | 25 | |
| Quantitative Aptitude | 25 | 25 | |
| English Language | 25 | 25 | |
| Questions will be Matriculate level and based on multiple Choice Questions (MCQs) | | | |

4. Tentative Timeline:

| Sl. No. | Particulars | Date |
|---|---|---|
| 1 | Date of notification | 21st October, 2022 |
| 2 | Date of requisition from Employment Exchange | 24th October, 2022 |
| 3 | Last date of requisition from Employment Exchange | 9th November, 2022 |
| 4 | Date of issue of forms | 24th October, 2022 |
| 5 | Last date of form submission | 10th November, 2022 |
| 6 | Issue of admit card | To be notified later |
| 7 | Date of written Examination | To be notified later |

5. Age limit: A candidate must have attained the age of 18 years and must not have attained the age of 35 years on the 21st October, 2022. The permissible relaxations in upper age limit for different categories are as under:

| Code No. | Category | Age relaxation permissible beyond the upper age limit |
|---|---|---|
| 01 | SC/ST | 5 years |
| 02 | OBC | 3 years |

Note: The Date of Birth filled by the candidate in the application form must be the same as recorded in his/her Matriculation Certificate issued by a recognised Board/Council of the state or central Government.

6. Eligibility Condition:

i. The candidate must be a citizen of India.

ii. The candidate must be a permanent resident of Manipur, provided that a candidate whose parent(s) or any of his/her direct lineage are permanent resident of the state, with proper documentary proof like enrolment in the electoral roll and birth certificate, will also be eligible.

7. Submission of application form: The willing candidates should get their names sponsored by the Employment exchange concerned on or before *9th November, 2022*. Thereafter, the sponsored candidates should submit the duly filled-in application form along with the required self-attested copies of certificates and mark sheets on or before **10th November, 2022** at the office of the Directorate of Youth Affairs & Sports, Manipur at Khuman Lampak Sports Complex, Imphal.

8. Application fee: Candidates are required to pay application fee @Rs. 500/- for UR/OBC and @Rs. 400/- for SC/ST respectively at the time of submission of forms. Candidates applying for more than one post will have to pay prescribed cost as per no. of posts applied at the time of form submission.

9. General Instructions:

a. Application fee is non-refundable and not transferable.

b. "NO OBJECTION CERTIFICATE" from the present employer will be required if candidates are serving in any Government Department or Public Sector Undertaking or Autonomous Body.

c. Application form not accompanied with prescribed fee or not submitted in the prescribed format or incomplete in any respect will not be entertained.

d. Canvassing for the posts, in any form will be grounded for disqualification.

*Sd/-* T. Phulen Meitei
Director,
Youth Affairs & Sports,
Govt. of Manipur

HL/B/7882/25

# অঙাং শিবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ইন্দোনেসিয়াদা সিঙ্গাপোর, ওষ্ট্রেলিয়াদগী দ্রগ য়ৌরক্লগনি



জকারটা, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): এক্যুট কিদনি ইঞ্জুরিনা মরম ওইদুনা অঙাংশিং শিবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা ইন্দোনেসিয়াদা সিঙ্গাপোর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী লায়না অসিগী দ্রগশিং য়ৌরক্লগনি হায়না ইন্দোনেসিয়াগী হেল্‌থ মিনিষ্টর বুদি গুনাদিন সিদিকিন্না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, থাংজ নুমিৎ ফাওবদা ইন্দোনেসিয়াদা প্রোগ্রেসিব এক্যুট কিদনি ইঞ্জুরি মখল অমনা মরম ওইদুনা শিখিবা অঙাংশিংগী মশিং ১৩৩ শুখি। মসিনা মরম ওইদুনা ওথোরিটিশিংনা মতম খরগী ওইনা লৈবাক অদু শীন থুংনা সিরপ ওইবা হিদাকশিং য়োনবা অমদি প্রিস্ক্রাইব তৌবা থিংখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা জকারটাদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি ইন্দোনেসিয়াদা থুংলগদৌরিবা য়াম্না মথৌ তারিবা দ্রগশিং অদুদি ফোমি পিজোল দ্রগ পাইলশিংনি, সিঙ্গাপোরদগী ১০ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী ১৬ থুংলগনি।

হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিরনা মমাঙদা দ্রগ অদুগী ভাইল ২০০ য়ৌদনা ওর্দর তৌখিবনি। পেসেন্ট খুদিংমক্তা গ্রাম ১.৫ কী ভাইল অমা নত্ত্রগা এমএল ১.৫ কী ইনজেক্সন দোজ থাগনি। দ্রগশিং অদু জকারটাদা হেক থুংবগা য়াম্না থুনা হোস্পিটালশিংদা য়েন্থোকপা ঙমগনি থাজৈ হায়না সিদিকিন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিঙ্গাপোর অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা অসিগুম্বা তানফমদা মতেং পাঙবীবগীদমক্তসু মিনিষ্টর অসিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। অয়াম্বনা চহী তরুক য়ৌদ্রিবা অঙাংশিংদা এক্যুট কিদনি ইঞ্জুরি থোক্লিবদুগী মরমশিং খঙদোক্লবা ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্টনা হোৎনদুনা লাক্লি।

প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা লায়না অদু অঙাংশিং অদুদা থাখিবা ইথিলিন গ্লাইকোল, দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোল ব্যুটিল ইথরগুম্বা মখোয়না শীজিন্নখিবা সিরপকী হিদাকশিংদা য়াওবা পেথোজেনশিংদা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ ফঙখি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মমাঙদা এক্যুট কিদনি ইঞ্জুরিগী কেসশিং অদু কোভিদ ১৯ ভেক্সিনশিংগা মরী লৈনদে হায়না থাজবা পীখ্রবনি। হন্দক্তা গাম্বিয়াদা অঙাং ৭০ রোম এক্যুট কিদনি ইঞ্জুরিনা মরম ওইদুনা শিখিবনি। মীশিশিং অদু ইন্দিয়ানা শাবা কফ সিরপ মরিদা য়াওবা দাই ইথিলিন গ্লাইকোল অমসুং ইথিলিন গ্লাইকোলগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোক্লখিবনি। তৌইগুম্বসুং ইন্দোনেসিয়াগী ফুদ এন্দ দ্রগ রেগ্যুলেটরি এজেন্সিনা দ্রগশিং অসি লৈবাক অসিদা রেজিষ্টর তৌদে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

# মাউন্ট কালিমাঞ্জরোদা চাক্লিবা লাম্মৈ মুত্থৎনবা ফায়র ফাইটর ৬০০ হেন্না থাজিনখ্রে

দার এস সলাম, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): অফ্রিকাগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীং মাউন্ট কালিমাঞ্জরোদা চাক্লিবা অচৌবা লাম্মৈ মুত্থৎনবগীদমক্তা টাঞ্জনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফায়র ফাইটর ৬০০ হেন্না থাজিনখ্রে।

কালিমাঞ্জরো রিজনেল কম্মিস্নর নুর্দিন বাবুনা এজেন্সিগী টেলিফোন ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, মদুদি ফায়র ফাইটরশিং অদু টাঞ্জনিয়া ফায়র এন্দ রিজার্ব ফোর্স, টাঞ্জনিয়া নেসনেল পার্ক, পুলিস, স্কাউটস, মিলিসিয়াগী মেম্বরশিং অমদি প্রাইভেট সেক্তরদগীনি।

লাম্মৈ অদু চীং অদুগী খা থংবা নাকলদা মিটর ৪০০০ রোম ৱাংবা মফমদা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা চাক্লকখিবনি। মদু অকনবা নুংশিৎনা য়াম্না থুনা শন্দোরকখি।

বাবুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি ফায়র ফাইটর ৬০০ হেনবগী অরিংবা টিম অদুনা লাম্মৈ অদু য়াম্না থুনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়না ঐখোয়না থাজৈ। মদু করম্না হৌরকখিবনো অমসুং মদুনা হৌজিক ফাওবদা অমাঙ অতা কয়াম থোকহনখ্রবগে হায়বসি লেপ্পা ঙমদ্রি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না অহানবদা লাম্মৈ অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অদুদা মতেং পাঙননবা টাঞ্জনিয়া পিপলস দিফেন্স ফোর্সেস (টি পি দি এফ) দা হায়জবগী থৌরাং লৈখি। তৌইগুম্বসুং লাম্মৈ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইনা প্রোগ্রেস লৈরে হায়বা পাউ ফঙবদগী থৌরাং অদু থাদোকখিবনি। থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা বাবুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না এক্সপার্ট টিম অমগা লোয়ননা চীং অদুগী মথক্তা পাইদুনা এরিয়েল সর্ভে অমা পাঙথোকখি। মখোয়না মৈনা অমাঙ অতা থোকহনখিবশিং অদু খঙদোক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মৈখু চাওনা কাখৎলকপা অমদি নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মিশন অদু তেনশিনখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২০ গী ওক্তোবরদসু মাউন্ট কালিমাঞ্জরোদা লাম্মৈ চাওনা চাক্লক্তুনা স্কৱার কিমি ৯৫.৫ তা হৌরিবা উ ৱাশিং তুম্না মাঙহনখিবগা লোয়ননা টুরিষ্টশিংনা শীজিন্নবা য়ুম ১২, টোইলেট ২ অমসুং সোল্লর ইক্বিপমেন্ট তুম্না চাকখিবনি।

# ইজরেল-লেবানন মেরিটাইম দিলগী মায়োক্তা থাবা পিটিসনশিং দিসমিস তৌখ্রে

টেল অভিব, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): ইজরেল্লি গভর্ণমেন্টবু লেবাননগা মেরিটাইম বোর্দর অমা লৈহন্নবগী মরু ওইবা দিল অমা এপ্রুভ তৌবা থিংনবা থাবা পিটিসনশিং ইজরেলগী সুপ্রিম কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, নোংমাইজিং নুমিত্তা কোর্ট অদুগী জজ অহুমগী পেনেলনা রাইট-ৱিং গ্রুপশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংনা সবমিট তৌখিবা পিটিসন মরি দিসমিস তৌনবা ৱারেপ লৌখি।

নবেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল এসেমব্লিগী মাঙওইননা গভর্ণমেন্টনা মেরিটাইম দিল অদুগী য়ানবা পুরক্লোইদবনি অমদি গভর্ণমেন্টনা দিল অদুবু থুনা য়ান্ননবা হোৎনরিবা অদু পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা চঙই হায়না পিটিসনশিং অদুনা ক্লেম তৌখি অমদি কোর্টতা মীৎয়েং চঙবীনবা হায়জখি।

ইজরেলগী সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অসিনা গভর্ণমেন্টনা দিল অদুবু ফাইনেল এপ্রুভেল পীহন্নবগী লম্বী ফাৎলগনি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রি বেনিগান্সনা রুল্লিং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা হায়খি, মদুদি মদুনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লেবাননগা মেরিটাইম বোর্দর অমা লৈহনবগী মতাংদা মরু ওইবা এগ্রিমেন্ট অমা থুনা পুরকপা ঙমহল্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি দিল অদু লমদম অপুম্বদুগী ওইনা পোলিটিকেল অমসুং শেল থুমদা অফবা ফিভম কয়া লাকহনগদবা অচুম্বা অমদি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা এগ্রিমেন্টনি। ওক্তোবর ১১ দা ইজরেল অমসুং লেবাননা রেকোর্দ ওইগদবা মওংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা তুং কোইনগী ওইনা মেরিটাইম বোর্দর অমা লিংবগী ৱাফম য়ানখি।

দিল অদু ফাইনেলাইজ তৌবা তারবদি ওফিসল ওইনা হৌজিকসু লান শোক্লরি হায়না লৌরিবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীনা মেদিটরিনিয়ন সীগী মখাদা নেচরেল গ্যাস ফিল্ডশিংগী কান্নবা লৌবা য়াহনগনি।

# মৈগী চীং পোকখায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী য়েল্লো এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে

ক্বিটো, ওক্তোবর ২৪ (এজেন্সী): সেস্মিক এক্তিভিটি হেনগৎলকপগা লোয়ননা ইক্বাদোরগী গভর্ণমেন্টনা কোটোপাকসী ভোলকেনোগা নক্লবা মফমশিংদা য়েল্লো এলার্ট (ময়াই ওইরপ্পা রিস্ক) লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না সমুদ্রগী ঈমায়গী থাক্তদগী মিটর ৫৮৯৭ রোম ৱাংবা ভোলকেনো অদু ইক্বাদোরগী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবনি। ওক্তোবর ২১ দা কোটোপাকসীদা নিকখিবদগী ভোলকেনিক এক্তিভিটি হেনগৎলক্লে হায়বা রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখিবনি। ইক্বাদোরিয়ন সেক্রেটরিএট ফোর রিস্ক মেনেজ মেন্টগী মতুং ইন্না হন্দক্কী ভোলকেনো এক্তিভিটি অদু কুমজা ২০১৫ গী মতুংদা খ্বাইদগী কনবনি।

হৌজিক নক্লা লৈবা মীওইশিংনা ভোলকেনো অদুগী মচিনগী মথক মিটর ৫০০ ৱাংনা গ্যাস অমসুং ঈশিং মনিলগা লোয়ননা মিটর ২৩৫৩ ৱাংনা উৎ মপৈশিং কাখৎপা উবা ফঙই। ফিভম অদুদা ভোলকেনো অদুদা চৎপা ওথোরিটিশিংনা থিংখ্রে।